# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৯/১১গী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ৯/১১ হায়না খঙনবা কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা টেররিষ্টশিংনা চত্থরকখিবা এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। কুমজা ১৮৯৩গী নুমিৎ অসিমক্তুদা স্বামি বিবেকানন্দনা হিষ্টোরিক ওইবা মওংদা ৱা ঙাঙখিবগী থৌওংসু মহাক্না নৌহৌনা নীংশিংখি।

মহাক্না হায়খি, সেপ্টেম্বর ১১ লাকপদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনী নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিদা স্বামি বিবে-কানন্দনা চিকাগোদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙদুনা মীওই কয়াগী থম্মোয় খুদুম চনবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা অল-কাইদাগী টেররিষ্টশিংনা হায়জেক তৌরকপা প্লেন অনী শীজিন্নরগা ন্যু য়োর্ককী ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরদা এটেক চত্থদুনা মীওই ২,৭৫০ হেন্না শিহনখিবগী থৌদোক অদুবুসু নৌহৌনা নীংশিংহল্লে। অহুমশুবা প্লেন অদুনা ৱাশিংটনগী পেন্তাগোনদা কায়খি। অদুগা মরিশুবা প্লেন অমনা পেন্সিলভেনিয়াগী লৌবুক অমদা কায়খিবনি।

কুমজা ১৮৯৩গী সেপ্টেম্বর ১১দা চিকাগোদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপশিংগী মীফমদা স্বামি বিবেকানন্দনা "ঐগী নুংশিরবা অমেরিকাগী ইচিন-ইনাওশিং" হায়না ৱা ঙাঙবা হৌদোকখিবদা তিনখিবা মীয়াম লেপখৎতুনা মিনিট ২ রোম খুবাক খুখিবনি।

অমরোমদা, কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ১১দা অল-কাইদাগী মিলিটেন্ট ১৯না প্লেন মরি হায়জেক তৌরগা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা মফমদা এটেক চত্থখি। ন্যু য়োর্ক সিটিদা লৈবা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরগী ত্রিন টৱারদা হায়জেক তৌরকপা প্লেন অনী শীজিন্নরগা সুইসাইদ এটেক চত্থখি। থৌদোক অদুদা মীওই ২,৭৫০ হেন্না শিখিবনি। অহুমশুবা প্লেন অমনা ৱাশিংটনগী পেন্তাগোনদা এটেক চত্থনবা হোৎনবদা কায়খি। মরিশুবা প্লেন অদুদি হায়জেকরশিংগা প্লেন মনুংদা তোংলম্বা মীওইশিংগা খুৎ থোক্নরকপদগী পেন্সিল-ভেনিয়াদা লৈবা লৌবুক অমদা কায়খিবনি।

মতৌ অসুম্না ন্যু য়োর্ক সিটি অমদি ৱাশিংটনদা মতম অমুক্তদা এটেক চত্থদুনা মীওই লীশিং ৩ লোম হাৎখ্রবা মতুংদা মতমদুগী যু এস প্রসিদেন্ট জোর্জ দব্লিয়ু বুশনা টেররিজমগী মায়োক্তা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

সেপ্টেম্বর ১১গী অয়ুক পুং ৮.৪৫দা মী থন্না তোংবা অমেরিকন এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৬৭ অমা ৱর্ল্ড ট্রেদ সেন্টরগী অৱাং থংবা টৱারদা থোমজিন্দুনা কায়খি। প্লেন্না মথোল ১১০ লৈবা ত্রিন টৱারগী ৮০শুবা মথোন্দা থোমজিন্দুনা কায়খিবগী থৌদোক অদুদা মীওই চা কয়া শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়া বিল্ডিংগী অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখি।

থৌদোক অদুগা মিনিট ১৮ কান্নরবা মতুংদা যুনাইটেদ এয়রলাইন্সকী বোইং ৭৬৭ অমা অৱাংথংবা টৱারগী ৬০শুবা মথোন্দা থেংজিন্দুনা কায়খি। থৌদোক অদুদা ত্রিন টৱার নীংখায়খি। হায়জেকরশিং অদু সাউদি অরাবিয়া অমসুং অতৈ অতোপ্পা অরব লৈবাকশিংদগীনি।

অমেরিকানা ইজরেলগী মতেং পাংবগা লোয়ননা মিদ্দল ইষ্টতা লান্মী থাজিন্দুনা পার্সিয়ন গল্ফ ৱারদা শরুক য়াখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ওসামা বিন লাদেনগী অল-কাইদা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন্না থৌওং অদু চত্থখিবনি।

এটেক চত্থবদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদু চহী ১ রোমগী মমাঙদগী যুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈরক্লবনি। মখোয়না অমেরিকন কমর্সেল ফ্লাইট স্কুলশিংদা এরোপ্লেন পাইবা তমখি হায়রি। অতোপ্পা টেররিষ্ট খরনা এটেক চত্থগদবা নুমিৎ খরা ৱাৎলিঙৈদা লোন্না যুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলকখিবনি।

টেররিষ্ট ১৯না ইষ্ট কোষ্টকী এয়রপোর্টতা ঙাক্লম্বা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মীৎয়েংদগী নাথৈদুনা অরায়বা মওংদা বোক্স কট্টর অমদি থাঙ খরা এয়রক্রাফট মনুংদা লোন্না পুশিনবা ঙমখি। মখোয়না কেলিফোর্নিয়া তম্না পাইগদবা প্লেন অহুমদা তোংখি। লমশাং পাইগদবা প্লেন ওইবনা থাউ য়াম্না য়াওরমগনি খনবদগী অতম্বনা কেলিফোর্নিয়াদা পাইগদবা প্লেন হায়জেক তৌনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। প্লেনশিং অদুনা এয়রপোর্টতগী হেক পাইখৎপগা টেররিষ্টশিংনা খুদক্তা হায়জেক তৌরগা মিসাইলগী মতৌগুম তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিংদা এটেক চত্থখি।

ৱাশিংটনগী পেন্তাগোন্দা চত্থরকখিবা এটেক্তা মিলিটরি পার্সনেল অমদি মীচম য়াওনা পুন্না মীওই ২০০ রোম শিখিবনি। থৌদোক অদুগী মিনিট ১৫ রোম কান্নরগা ন্যু জর্সিগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমদগী হায়জেকরশিংনা প্লেন অমা হায়জেক তৌখি। প্লেন অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিংনা হায়জেকরশিংবু খুদুম চন্নবা হোৎনবদগী প্লেন অদু পেন্সিলভেনিয়াগী লৌবুক অমদা তাশিল্লগা কায়খি। থোমাস বর্নেট কৌবা পেসেঞ্জর অমনা ময়ুমদা মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা ফোঙদোক্লম্বগী মতুং ইন্না ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি।

থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, টেররিষ্টশিংগী এটেক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মালেমগী মীয়াম্না টেররিজমগী মায়োক্তা লেপমিন্নবা মতম ওইরে।

# লোকপাল, লোকঅয়ুক্তগী মতাংদা হিয়ারিং চত্থরগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

কুমজা ২০১৩দা পাস তৌখিবা সেন্ট্রেল লেজিসলেসন অমগী মতুং ইন্না সেন্টর অমদি ষ্টেটশিংদা লোকপাল অমসুং লোকঅয়ুক্তশিং লিংখৎপগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং সেপ্টম্বর ১৪দা পাঙথোক্লগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী স্পোকস্পার্সনসু ওইরিবা এদভোকেট অস্বিনিকুমার উপধ্যাইনা হীরম অসিগী মতাংদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমদি জষ্টিস পি সী পান্তকী বেঞ্চনা সেপ্টেম্বর ১৪দা হিয়ারিং চত্থনবা মতম লেপখিবনি।

এদভোকেট অস্বিনিকুমারনা হায়খি, কুমজা ২০১৪গী জন্যুৱারী ১দা প্রসিদেন্টনা লোকপাল এন্দ লোকঅয়ুক্তাস এক্ট, ২০১৩ অয়াবা পীদুনা জন্যুৱারী ১৬তগী চৎনবা হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা লোকপাল শেমদ্রি। এক্ট অসি চৎনবা হৌখ্রবা মতুংদা ষ্টেট খূদিংমক্না চহী ১গী মনুংদা লোকঅয়ুক্তা শেমগদবনি হায়না লোকপাল এন্দ লোকঅয়ুক্তাস এক্ট, ২০১৩গী সেক্সন ৬৩দা ময়েক শেংনা পল্লি। অদুবু ষ্টেট অয়াম্বনা হৌজিক ফাওবা লোকঅয়ুক্তা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপা উদে।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা ষ্টেট খরনা হৌজিক ফাওবা লোকঅয়ুক্তা এক্ট পাস তৌবা লৈত্রি হায়না এদভোকেট অস্বিনিকুমারগী পিটিসন অদুনা ফোঙদোকখি।

পিটিসনরনা ৱাকৎলকখিবগী মতুং ইন্না লোকঅয়ুক্তা লৈরবা ষ্টেট খরদা মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর থম্বীদবগা লোয়ননা শেল নীংথিনা কাইথোক্তবা মরম্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল অমা পীদুনা অথুবা মতমদা লোকপাল অমদি লোকঅয়ুক্তশিং মপুং ফানা মথৌ তৌহনগদবনি হায়না পি আই এল অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা কাবেরি তুরেলগী ঈশিং ক্যুসেক ১৫,০০০ টামিল নাদুরোমদা থাদোকখিগদবনি হায়না কর্নাতাকাদা য়াথং পীখিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংগী মথক্তা প্রাইভেট কম্পনি অমনা লোকল কোর্ট অমদা ৱাকৎখ্রে।

জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী)গী কোর্টতা সী আর পি সীগী সেক্সন ২০০গী মখাদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট পিটিসন অদুদা কর্নাতাকা অমদি টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টরশিংগী মমিংসু পল্লি হায়রি।

# থানেদা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা ৩০ শিখ্রে



থানে, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

মহারাষ্ট্রাগী থানে দিষ্ট্রিক্টতা নোং কন্না চুরকপদগী মীওই ৩০ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরি হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ভিৱান্দি টাউনদা নোং কন্না চুরকপদগী অচৌবা বিল্ডিং অনী নিংখায়খি। হন্দক্কী নোংজু থাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এম এম ২,২৬২.৭১গী চাংদা নোং চুরকখি।

থানেগী টালুক্কা তরুক মনুং চন্না লৈবা খুঙ্গং ৪০ রোম নোংনা মরম ওইরদুনা অমাঙ-অতা থোক্লে। হৌজিক ফাওবদা ভিৱান্দিদা মীওই ১৯, অম্বরনাথদা তরুক, কলয়ানদা অহুম লোয়ননা শাহপুর অমদি থানেদা মীওই অমমম নোংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখ্রে হায়রি। য়ুম ১১০ অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়ননা মীওই ৩৩ নোংগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা অশোক-অপন নংলে হায়রি।

অমরোমদা, নোং কন্না চুরকপদগী হায়দ্রবাদতা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা য়ুম নিংখায়বগী থৌদোক অনীদা পীক্লিবা অঙাং মরি য়াওনা মীওই তরেৎ শিখ্রে। অহানবগী থৌদোক অদু মুসিরাবাদকী ভোলাকপুর এরিয়াদা থোকখিবনি। মফম অদুদা শাবা লোইশিন্দ্রিবা বিল্ডিং অমা নিংখায়বদা মীওই অহুম শিখি। রামন্থপুরদা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক অমদনা য়ুমগী অকোয়বদা খাবা চেকপল নিংখায়রকপদা মীওই অহুম শিখি।

হায়দ্রবাদ অমদি সিকন্দরবাদতা নোং কন্না চুরকপদগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিন্দুনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। বঞ্জরা হিলস, জুবিলি হিলস, মাধাপুর, সোমাজুগুদা অমসুং বেগমপেট য়াওনা হায়দ্রাবাদকী মরুওইবা মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লে।

# 'পঞ্জাবতা এস এ দি-বি জে পিনা অমুক হন্না মায় পাক্লগনি'



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্ট পায়রিবা সিরোমনি অকালি দল (এস এ দি) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এলাইয়েন্সনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা ৩লকশুবা ওইনা মায় পাক্তুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্লগনি হায়না যুনিয়ন মিনিষ্টর হরসিমরত কোর বাদলনা ফোঙদোকখ্রে।

বাথিন্দা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী এস এ দিগী এম পি ওইনা মায় পাক্লকখিবী ফূদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পি অমসুং এস এ দিনা পঞ্জাবকী চাউখৎ থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎতুনা লাকপা মরম্না হন্দক্কী মীখলদসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা যুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙগী মীখলদসু এস এ দি-বি জে পিগী এলাইয়েন্সনা থংনা থংননা ২রকশুবা ওইনা মায় পাক্তুনা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখি। ষ্টেট অসিদা পার্টি অমত্তনা থংনা থংননা টার্ম অনীরকশুবা গভর্ণমেন্ট পায়বা য়াওখিদ্রি।

মীয়ামগী য়াইফনবা খনবগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাং কয়া লেপ্তুনা লৌখৎপদগী এলাইয়েন্স অসিনা থংনা থংননা অনীরক মায় পাকপা ঙমখিবনি। মথং চহীগী মীখলদসু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর পর্কাশ সিংহ বাদলগী মমৌনুপীসু ওইরিবী যুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী নৎত্রগা ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)নসু মীরেপ থাগৎনবা ফিরেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, লৌ উনবগীদমক লৌমীশিংদা লেম্না মৈ অমসুং ঈশিং ফংহনবা ষ্টেট পঞ্জাব খক্তনি। মদুনা মরম ওইরগা লৌমী মীয়াম্না এলাইয়েন্স অসিদা চেৎনা থাজবা থল্লি। ষ্টেট অসিনা মৈ মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অহুম অমসুং দোমেষ্টিক এয়রপোর্ট মঙা লৈহনবা ঙল্লে।

## মাওইষ্ট লালহৌবা ৬ ফারে

গুম্লা, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

ঝরখন্দগী গুম্লা দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসনা মাওইষ্ট লালহৌবা তরুক ফাখিবগা লোয়ননা মশীং য়াম্লবা খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খরদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা লালহৌবশিংগী লোৎফম অমা থেংনখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, পুলিস লাকপা উবদা লালহৌবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্লগা চেনখিনবা থৌরাং তৌরমই। অদুবু পুলিসনা খুদক্তা লালহৌবশিং অদু তান্নরগা ফাখি। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস চন্দন ঝানা হায়খি, ফারবা লালহৌবশিং অদু য়ুম্লোন্নবা ওরিসাদা ট্রেনিং তৌরুরবা মীওই ঙাক্তনি হায়বা খঙলে। ফারবা মীওইশিং অদুদগী পিষ্টোল অহুম, কাপথোক্ত্রিবা মরু খরা অমদি লালহৌবগা মরী লৈনবা চে-চাং খরা ফংবা ঙমখি।

বিহার, ঝরখন্দ, ছতিসগর অমদি ওরিসাগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মাওইষ্ট লালহৌবগী ঈহৌ কনখৎলকপদগী সেন্টরনা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্স থাজিন্দুনা লালহৌবশিং নমথনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ছতিসগরগী বাস্তার এরিয়াদা মাওইষ্ট লালহৌবা ৭২ খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকপা লৈখ্রবনি। নরায়নপুরগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিশেক মিনানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না চঙজরক্লবা লালহৌবশিং অদুগী মনুংদা নুপী অনী য়াওই হায়রি।

# মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা কাশ্মীরদা শিখিবা ৮০ শুখ্রে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

শ্রীনগরদা ঙসি অয়ুক মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা শিখিবা মীওই পুন্না ৮০ শুখ্রে।

পুলিসনা হায়খি, শ্রীনগর-মুজাফরবাদ হায়ৱে মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা জবেদ অহমদ দর (২৩) কৌবা মীওই অমা অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওই অদু শ্রীনগরগী হোস্পিটাল অমদা মতম খরা লায়কন্নরম্লগা শিখিবনি।

অমরোমদা, কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম্না নীংতম্বগী খোল্লাউ লাউরদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রে। কায়মো, খুদৱানি অমসুং রেদৱানি টাউনশিংদসু মীয়াম্না অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকখি। পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী কারিমাবাদ খুঙ্গংদনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৮০ অশোক-অপন নংখি।

কাশ্মীরদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহন্দুনা লাকপা নুমিৎ ৬৫ শুরে। শ্রীনগর অমসুং অতৈ মরুওইবা মফম কয়াদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা লো অমদি ওর্দরগী ফীভম ঙাক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক তম্পাক্কী মফম অমত্তদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈত্রে।



জুলাই ৮দা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা থংনবা নুমিৎতগী চঙশিল্লকখিবা মীয়ামগী খোঙজং নমথনবা হোৎনবদা চাউরাক্লা মীওই ১১,৫০০ রোম অশোক-অপন নংবা লৈখ্রে।

মরকসিদা, যুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দর সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, কনাগুম্বা মীওই খরনা অরানবা লম্বীদা লমজিংখিবা ঙমহন্দনবগীদমক কাশ্মীরগী নহারোলশিংবু অনৌবা লৌশীং লৈহনবা মথৌ তারে।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী উধম্পুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী মায় পাক্লকখিবা জিতেন্দর সিংহনা পাউমীশিংদা হায়খি, নীংতম্বগী মিংদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংদুনা ঈহৌ শাগৎলিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা-মশুশিংবু ময়ুমদা চেকশিন্না থল্লি। মচা-মশু অমদি মরী-মতাশিংবুনা ময়ুমদগী হেন্দোকহন্দ্রগা অতোপ্পা মীওইশিংদা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱাফম ফোঙদোক্লিবা সেপরেটিষ্ট লিদরশিংদগী মীয়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরিবা জিতেন্দর সিংহনা হায়খি, জিহাদকী মিংদা মীয়াম্বু খোঙজং চঙশিনহল্লিবা সেপরেটিষ্ট লিদরশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা-মশুশিং খোঙজংদা শরুক য়াহন্দবগী মরম মীয়াম্না হংফম থোকই।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, সেন্টর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা কাশ্মীর তম্পাক্কী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা অকনবা থৌরাং লৌখৎলে।

## এল ও সীদা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

কাশ্মীরগী নৌগাম সেক্টরদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমা ইন্দিয়ন আর্মীনা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে। ওফিসল অমনা হায়খি, ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা এল ও সীদা চিংননিংঙাই ওইবা থৌওং খরা থেংনবদগী চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা মীওই খরা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরম্বা থেংনখি। আর্মী উবদা মীওইশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। আর্মীনসু খুৎ হৎদুনা নোংমৈ কাপ্পদা মিলিটেন্ট মরি খুদক্তা শিখি। তংধার অমদি গুরেজ সেক্টরদসু মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবনি।

# রাজনাথ সিংহনা রসিয়া, য়ু এসতা চৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১১(এজেন্সী):

য়ুম্লোন্নবা লৈবাক্না ইন্দিয়াদা টেররিজমগী থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপগী ৱাফম পুখৎলুনবা যুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মথং চয়োলদা রসিয়া অমদি যুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎকদৌরি।

সেপ্টেম্বর ১৮-দগী হৌরগা নুমিৎ ৫নি রসিয়াদা লৈরিঙৈদা মহাক্না রসিয়ন মিনিষ্টর ফোর ইন্টরনেল এফেয়র্স ব্লাদিমির কোলোকোলসেভকা উনদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা ইন্দিয়া অমদি রসিয়ানা লৌখৎমিন্নগদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।



ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা টেররিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-তপ্পা ফীভম কায়হল্লকপা অমদি আই এস আই এসনা ইন্দিয়াদা মশা-মরেং ফন্দোরকপগী মতাংদসু কুপ্না খন্নগনি হায়রি। সেপ্টেম্বর ২৬তগী হৌরগা নুমিৎ ৭নি যুনাইটেদ ষ্টেটসকী খোঙচৎতা চৎকদৌরিবা হোম মিনিষ্টরনা ইন্দো-য়ু এস হোমলেন্দ সিক্যুরিটি দাইলোগতা শরুক য়াদুনা অমেরিকাগী মহাক্না ফম মান্নবা চার্লস জোন্সনগা ৱারী শানগদৌরি।

CAS Medical & Engineering

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION IS GOING ON

REGULAR MEDICAL COURSE for NEET -2017

Second batch

RESCHEDULED ON 12TH SEPT. 2016

Special fecialities:-

Free Studentship for Medical Aspirants from

- Toppers in COHSEM & BOSEM Exams.
- NEET Schoring marks above -

435 (General) ; 434 (OBC) ; 424 (OBCMP); 350 (S.C.) ; 350 (S.T.) ; 300 (PH)

For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/3236/2-17Sept

Hostel for BOYS & GIRLS available

টৈংথাপোং/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্সা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্সা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3291/3/09-2/10